# ওলেম্পিক য়ৌশিল্লকপদা দোপীংগী ৱাথোক

## লৈশাংথেম অজিৎ

**কিলোগ্রাম** ৭৪ লূম্বগী ফ্রি ষ্টাইল রেষ্টলিংদা ওলেম্পিক্কীদমক খনগৎতুনা রিওদা শরুক য়ারুনবা শেম শাদুনা লৈরবা উত্তর প্রদেশকী নরসিং পানচাম যাদব দোপিং তৌই তৌদে খঙদোক্লবা চাংয়েং তৌবদা শান্নরোয়শিংনা শীজিন্নবদা অথিংবা থন্বা হীদাক এনাবোলিক এষ্টরোইদ মেতাদিনোন মহাক্কী হক্কী ঈশিংদা চাং ৱাংনা য়াওবা থেংনরুবদগী ফাদুনা মহাক্কী মহুত্তা পারভিন রানাবু রিওদা থানবা শেম শাদুনা লৈরুরবা মতুংদা নরসিংনা মহাক তশেংনা হীদাক চাদে, অতোপ্পা মীওই খরনা মহাকপু ওলেম্পিক্তা শরুক য়াহন্দনবা মাগী মীংচৎ থিনবা লৌতুনরগা থোকহনবা থৌদোক্নি হায়না নেসনল এন্টি দোপিং এজেন্সিদা ৱাকৎতুনা নরসিং যাদবকী উকিলনা নুমিৎ হুমনি চংনা য়েৎপদগী মহাকপু মাঙনবা মীওই খরনা তৌবা খুজিল থৌরাংনি হায়দুনা নাদাগী পেনেলনা মসিগী আর্টিকল ১০.৪ গী মতুং ইন্না বেনিফিট ওফ দাউট (Benefit of Doubt) নি । মহাক ওলেম্পিক্কী টিমদা অমুক য়াওহনগদবনি হায়বা ৱারেপ অমা মঙোন্দা পীখ্রে। জুনগী তাং ২৫ অমসুং জুলাইগী তাং ৫ দা লৌখিবা মহাক্কী হক্কী ঈশিং অদু চাংয়েং তৌবদা অথিংবা থন্বা হীদাকশিং চাবগী পোৎয়ানশিং য়াওরমদুনা ফাখিবগী (রিপোর্ট) রেকোর্দ লৈবা রেষ্টলরনি।

মহাকপু হীদাক চাবগী ফাবা অসিদা মহাক্না অহানবা থোকখিবা ৱারোলদা মহাক্কী চানবা পোত্তা হীদাক য়ানশিল্লিবা অসিগী চিংনবা মীওই খরা লৈ হায়না টি ভি চেনেলদা ফোঙদোকখিবা অসি নাকোইননা সুশিল কুমারদা তৌখি। মরমদি রিওদা রেষ্টলিং ফ্রি ষ্টাইলগী কিলোগ্রাম ৭৪ লূম্বগী কোটা অসি নরসিং যাদবনা কুমজা ২০১৫ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী লাস ভেগাসতা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা অহুমশুবা পোজিসন তারক্তুনা ফংখিবনি। মতম অদুদা সুশিল কুমার মশাদা ইনর্জি, অশোকপা লৈদুনা শরুক য়াখিদে । তৌইগুম্বসুং ওলেম্পিক্তা কেজি ৭৪ লূম্বগী কেটাগোরিদা ইন্দিয়াগী মীহুৎ অমখক্তং য়াওগদবনি মদুদা সুশিল কুমারনা মহাক রিওদা চৎকে অদুনা নরসিংগা চাংয়েং তৌনরগা অথোইবা অদু চৎহনবীয়ু হায়না রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াদা হন্না হন্না হায়জবদা য়াবিরকখিদে। মরম অদুনা সুশিলনা দিল্লিগী কোর্টতা চে থাদুনা ৱাকৎপদা মহাক (সুশিল) মায়থীখি। কেজি ৬৬ কী কেটাগোরিদা ওলেম্পিক্কী লুপাগী মেদল (২০১২) অমদি শেঙ্গেং (২০০৮) গী অমগা ফংখ্রবা লৈবাক অসিনা অৱাংবা থাক্তা থল্লিবা সুশিল অমদি মহাক্কী মকুবোক হান্নগী এসিয়ন গেমসগী চেম্পিয়ন হৌজিক্কা সৎত্রাপাল (দিল্লি) ষ্টেদিয়মদা রেষ্টলিং কোচ ওইরিবা সাত পালবু নরসিংগী চানবা পোৎশিংদা আইন্না য়াদবা পার্ফোমেন্স হেঙ্গৎহনবা হীদাকশিং অসি লোন্না হাপচিনহনবগী চিংনবা অসিনি।

নরসিং যাদবনা লৈরিবা সোনিপাটকী স্পোর্টস অথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) গী সেন্টরদনি। থোক্লিবা থৌদোক অসিনা, মফম অসিদা পুলিস টিম অমা চৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা কোচ, ৱার্দেন, চাক থোংবা, অচা অথক শিল্লাংলিবশিং অদুদা ৱাহং পাউহং তৌখি অমদি অচা অথক হাপ্পা কোল-লীক খরসু ফাগৎখি। নরসিং যাদবনা অহানবদা মহাক্না রেষ্টলিং তৌমিন্নরিবা হোষ্টেল অমত্তদা লৈমিন্নবা জিটেশবু মহাক্না চানবা চীঞ্জাক্তা অথিংবা থমখ্রবা হীদাক য়ানশিন্দুনা মহাকপু ওলেম্পিক্তা শরুক য়াহন্দনবা হোৎনৈ হায়না পুলিসতা হায়জিনখি। অদুবু চানবা পোৎ অদু লেবোরেটরিদা চাংয়েং তৌবদা করিগুম্বা পোৎ অমত্তা য়ানশিল্লমদে, সি আই দি দিপার্টমেন্টনদি মহাক মখা তানা ৱাহং পাউহং চথগনি হায়রি। হৌজিকমক্কী ওইনদি নরসিং যাদব ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএশন্না ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবগী অয়াবা অমা পীরে। মরম অদুনা মহাক্না থানা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ১২০ রিওগী থৌরম অসিদা শরুক য়ারগনি। অতৈ চৎথগদবা ইনক্কারিগীদমক মহাক্কী চানবা পোত্তা হীদাক হায়বদি চাবদা অথিংবা পোৎলমশিং য়ানশিল্লমখি হায়না চিংনরিবা সোনিপটকী স্পোর্টস হোষ্টেল অদুদা লৈবা চহী ১৭ শুরবা রেষ্টলর অমদি থিবা খঙদ্রি হায়রি।

ইন্দিয়া অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসি অয়াম্বনা পুকচেল শেংদবা, ওইদা পাদবা তৌবদা থৱায় য়াওবা, সার্টিফিকেট অশাবা লৈবা, য়োনবদা থৱায় য়াওবা, করিশু খঙদনা হৈপা শাবা, য়ুনিভর্সিটি ফাওবা শাশিন্নরগা লিংখৎপদা থৱায় য়াওবা মীওইশিংনা মশীং য়াম্মী। মরম অদুনা শান্নবদা নমথাক তৌরগা মকোক ওইবগী চৎনবী অসি ইন্দিয়া শিনবা থুংনা চখনরি। শান্নরোয় অমবু হীদাক অথিংবা চাবগী চাংয়েং তৌবদা লুপা লিশীং ১৫ হেন্না চঙই হায়বা য়াই। মরম অসিনা অসিগুম্বা চাংয়েং তৌগনি হায়বগী অকিবা লৈতে। নেসনল অমদি ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা অথোয় অহেন তান্নবশিংদা দোপিং পাক্তক্লনা তৌই। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শরুক য়াবদা ময়ূমদা থমখিবা রেকোর্দ য়ৌবা ঙমদবনা অয়াম্বনি। ইন্দিয়াগী ওইনা কুমজা ২০০৯ দগী হৌজিক ফাওবদা শান্নরোয় ৬৮৭ দোপীং তৌবগী চাংয়েং তৌবদা ফাখি অমদি তোঙান তোঙানবা মখলগী চৈরাক ফংহনখি। লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী য়াম্না দোপিং তৌরিবা মশান্নগী শান্নরোয়শিংদি এথলেটিক্স অমসুং ৱেথলিফটিংদনি। মখা তারকপা দিসিপ্লিনশিংদনা বোক্সিং, সাইক্লিং, পৱারলিফটিং, জুদো, স্বিমিং অমসুং কবাদ্দিগী শান্নরোয়শিংনি। মখোয়না শীজিন্নবা হীদাকশিংদি এনাবোলিক ষ্টেরিয়দ নান্দ্রোলোন অমসুং স্তানোজোলোল (Nandrolone, Stanozolol) নি।

মালেমদা দোপীং তৌবা লৈবাকশিংগী হীদান্নবদা ইন্দিয়ানা অহুমশুবদা লৈরি। রসিয়ানা দোপিং তৌবা শান্নরোয় খ্বাইদগী য়াম্না লৈ। মথংদা ইটালিনি। ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) গী প্রসিদেন্ট সার ক্রেগ রিদলনা কনাদাগী প্রোফেসর রিচার্দ মেকলারেনবু রসিয়াদা থাদুনা লৈবাক অদুনা পাকশন্না লৈঙাক্লা শৌগৎতুনা দোপীং চথরিবা অদুগী মরমদা থিগৎতুনা রিপোর্ট তৌরকপদগী রসিয়াগী মশান্না খরগী শান্নরোয়শিংদি অথিংবা থল্লে অমসুং মশান্না খরগী ওইনদি অশেংবা দোপীং তৌদবা শান্নরোয়শিং খক্তমক শরুক য়াহনগদৌরি।



*নরসিং পানচাম যাদব অমদি সুশিল কুমার*

আই এ এফ হায়না খঙনবা এথলেটিক্কী খ্বাইদগী চাওবা লূপ অসিনদি রসিয়াগী এথলেটিক্স টিম রিও ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখ্রে। ইন্টরনেসনল এসোসিএশন ফোর এথলেটিক্স ফেদরেসন হায়না খঙনবা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট কুমজা ১৯৮০ গী মোস্কো ওলেম্পিক অমসুং কুমজা ১৯৮৪ গী লোস এঞ্জেলিস গেমসগী ওলেম্পিক অনী অসিদা থংনা থংননা মিটর ১৫০০ গী লমজেলদা সনাগী মেদল ফংখিবা সার সেবেষ্টিয়ান কো (Sebestian Coe) না রসিয়াগী দোপীং তৌবদা ফাখিবা অমসুং দোপীং তৌদবা শান্নরোয়সু হন্দক্কী ওলেম্পিক অসিদা শরুক য়াবা য়ারোই হায়না অথিংবা পীখি। ৱাফম অসি রসিয়নগী লূপনা কোর্দ ওফ আব্রিত্রেসন ফোর স্পোর্টসতা থাঙ্গৎলবসু ৱাকৎ অদু লৌখিদে। লৈবাক অসিগী ওলেম্পিক অসিদা খনগৎলবা শরুক য়াগদবা এথলেট ৬৮ অসিগী মনুংদা দোপীং তৌবগী ফাখিবা অমদি মপুকচেল শেংবা দোপীং তৌদ্রবা এথলেটশিংসু য়াওরি। মখোয়গী মরক্তা মালেমগী মীয়াম্না য়েংনিংলিবদি মালেমগী নুপীগী পোলভোল্ট রেকোর্দ পায়রিবী য়েলেনা ইশিনবেয়েভানি। মহাক্না কুমজা ২০০৯ গী ওগষ্ট ২৮ দা ফুট ১৬ ইঞ্চি ৭ (১৬´৭´´) লান্না চোংদুনা মালেমগী রেকোর্দ ১৫ রক থুগাইখি। মহাক হৌজিক ফাওবদা দোপীং তৌবগী রেকোর্দ লৈতে। মহাক কুমজা ২০০৪ গী এথেন্স অমসুং ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্তা সনাগী মেদল লৌখি। হন্দক্কী থৌওং অসি মহাক্কীদি মরাইবক থিবনি।

# মণিপুরী খুন্নাইদা লাইব্রেরিগী ফীভম

**— লাইময়ূম সবিতা দেবী —**

**মোর্দন** এদ্যুকেসনগী য়ুম্ফম থোনবদা লাইব্রেরি অসিসু য়াম্না মরু ওইবা কয়াৎ অমনি। অখঙ অহৈশিংনসু অসুম্না হায়বিরম্মী ‘‘লাইব্রেরি সার্ভিস য়াওদ্রবা এদ্যুকেসনদি থৱায় য়াওদবা হকচাংগুম্বনি, থাউ য়াওদবা গাড়ী অমসুং সিমেন্ট য়াওদবা চেক্লা শাবা বিল্ডিংগুম্বনি’’। অদুগা লাইব্রেরি সার্ভিস অমসুং এদ্যুকেসন অনী অসি অমনা অমবু থাদোক্লদ্রবা ফাইবোক মচিন মনাওনিসু হায়নৈ।

ওজানা ক্লাস রুমদা ফোর্মেল এদ্যুকেসন পী। অদুগা লাইব্রেরি অমসুং লাইব্রেরিয়াননা ঙমখৈ নাইদ্রবা ‘সেল্ফ এদ্যুকেসন’ তোৎলগা ইনবা নত্তবা মখলগী এদ্যুকেসন পীবদা য়াম্না চাওনা মতেং পাঙলি। ইনফোর্মেল এদ্যুকেসন পীরিবা লাইব্রেরি অসি অসুম্নসু হায়নৈ মদুদি ‘লাইব্রেরিদি পূম্ন মক্কী ওজানি’।

মথক্তা পঞ্জরিবা ৱাফমশিং অসিদা মিৎয়েং থল্লগা ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু ইন্দিয়ানা নীং-খা তম্লবা মতুংদগী এদ্যুকেসন কমিসন (য়ুনিভর্সিটি এদ্যুকেসন কমিসন ১৯৮৪; সেকেন্দরি এদ্যুকেসন কমিসন ১৯৫৩-৫৪; কোথারি কমিসন ১৯৬৪-৬৫) নচিংবা কয়া শেমদুনা এদ্যুকেসন সিষ্টেমদা লাইব্রেরিনা য়াংলেন শরু ওইদুনা লৌরিবা থৌদাংশিং শক খঙবিদুনা এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা লাইব্রেরি লৈহনবগী তঙাইফদবসু ফজনা পনবিরি। অসিদসু নত্তনা ন্যু এদ্যুকেসন পোলিসিদসু ক্লাস মচা (গ্রাস রুট লেবেল) দগী হৌনা স্কুলশিংদা লাইব্রেরি থম্নবগী অকনবা ৱারোল থল্লি। মণিপুর এদ্যুকেসন কোদ ১৯৮২ দসু স্কুলগী থাক্তগী লাইব্রেরি ফজনা লৈহন্নবগী মতাংদা ময়েক শেংনা হায়রি (সেক্সন VIII গী লমায় ৪৫)। ‘‘ত্রেন লাইব্রেরিয়ান লৈত্রিঙৈদা ওজা অমবু নোংমদা মশাগী ক্লাস অনীখক্তং লৌরগা অতৈ মতমদুনা লাইব্রেরি চলাইবদা শীজিন্নহল্লু’’ হায়রি। মসিনা উৎলিবা ৱাখল্লোনদি মতম মতমগী মতুং ইন্না অনত্রেন ওজাশিং থবক তৌনা-তৌনা ইন সার্ভিস ত্রেনিং থাদুনা ত্রেন ওইহনবগুম লাইব্রেরিগী ইন চার্জ পুরিবা ওজা অদুবু লাইব্রেরি মমুৎ তানা চলাইনবগী লাইব্রেরি সাইন্স দিপ্লোমা নৎত্রগা দিগ্রী কোর্স তমহনবগী মওংনি। তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা থৌরাংদি হৌজিক ফাওবদা লৌখৎপগী খুদম অমত্তা উবা ফংদ্রি। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইনা শিনবা থৌরাং ওইবনা মপূং ফাবা লাইব্রেরি অমত্তা লৈঙাক্কী মহৈলোইশঙশিংদা উবা ফংদনা লৈরি। অমরোমদনা বোর্দ (সি বি এস ঈ; বোসেম, কাউন্সিল) দগী স্কুল লিংখৎনবগী অয়া চে, শকখঙ চে লৌবদা লাইব্রেরি মতিক চানা লৈত্রবদি য়াদবগী অকনবা চৎন-কাঙলোনসু লৈরি।

**মপূং ফাবা লাইব্রেরি কদাইবু কৌবগে?**

লাইব্রেরি অমগী চপ চাবা ফীভমদি মতিক চানা শীজিন্ননবা লাইরিক, মদুবু সিষ্টেমেটিকেল্লি চলাইনবা লাইব্রেরিয়ান, লোয়ননা মাবু তেংবাঙনবা ষ্টাফ অমদি স্পেস/মফম ফজনা লৈগদবনি। হায়রিবা মচাক/পোৎলমশিংসিগী মনুংদা অমতং ৱাৎলবদি লাইব্রেরি অমগী অশেংবা শক্তম কৌবা য়াদ্রে। এদ্যুকেসনগী ক্বালিটি অসি অফবা লাইব্রেরি সার্ভিসকী মখা য়াম্না পোল্লি হায়বসিদা মিৎয়েং থল্লগা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কমিসন্না (য়ু জি সি) লাইব্রেরি শানবা, লাইরিক লৈনবা, মতিক চাবা লাইব্রেরিয়ান অমদি ষ্টাফ হাপ্পবা শেন্থং মরাং কায়না মতম মতমগী পীথদুনা লাক্লি। মথক্তা পঞ্জরিবা ৱাফমশিং অসি ফনা লৈদুনসু ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরসিদদি গভর্ণমেন্ট কোলেজ ২০ লোম মতম কুইনা শাংনদগী লাইব্রেরিয়ান অমদি অতৈ মথৌ তাবা ফমশিং মেনশিনবীদনা হাংদুনা লৈরক্লি। অদুগা ‘নাক’ (নেসনল এসেসমেন্ট এন্দ এক্রিদিটেসন কাউন্সিল) না এসেসমেন্ট লৌনবগী ইন্সপেক্সন লাকপা মতমদদি লাইব্রেরি সাইন্সকী দিগ্রি পায়রবা থবক্তি ফংজদ্রিবা মীওইশিং নেক্তুনা কোলেজগী লাইব্রেরি শেমজিন শাজিনবগী চৎনবী লৈরি। মরমদি এসেসমেন্ট পীবদা লাইব্রেরিনা খ্বাইদগী মার্কিং ৱাংই। অসিগুম্বা চৎনবী অসিগী মহুৎতা হাংদুনা লৈরিবা ফমশিং অসি মেনশিনবিদুনা ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরকপদা লাইব্রেরিবু হেন্না অচৌবা মতেং ওইহনবীয়ু অদুগা স্কুলগী থাক্তসু লোইনমক নৎত্রবসু অহৌবা ওইনা মশীংসু য়ামদ্রিবা হায়র সেকেন্দরি থাক্কী মহৈলোইশঙশিংদা মপূং ফাবা লাইব্রেরি অমমম হাংদোকপীদুনা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিংদা লাইব্রেরিগী কান্নবা ফংহনবীয়ু। অমরোমদা হায়রিবা তানফম অসিদগী মী অমা ওইনবগী পুন্সি হিমাই চুম্বা মতমনি য়াম্নসু চেকশিন্না শেন্নহৌগদবা মতমনি। অদুনা লৌশিংগী পুক্কে জ্ঞানগী তুংনফম ওইরিবা লাইব্রেরীদা ঐখোয়গী তুংগী লন ওইরক্কদৌরিবা অঙাংশিংগী লৌশিং জ্ঞান তানশিঞ্জহৌনবা লৈঙাক্লা য়েংশিঞ্জহন্নিংই।

অমরোমদসু ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা পব্লিক লাইব্রেরিসু মরাং কায়না লৈতবনা মরম ওইদুনা লাইরিক পাবগী খুদোংচাবা ফংবা মফম ইরৈ লৈতে। অদুনা ‘মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরি এক্ট ১৯৮৮’ অসি থবক্তা ওন্থোকপীদুনা লাইব্রেরি দিরেক্টোরেট লৈহনবীরবদি লাইব্রেরি মরাং কায়না লিংখৎতুনা মীয়াম লাইরিক পাহন্দুনা হেন্না ফবা ইরৈচা পুথোকপদা মতেং ওইগনি নীংই। হৌগৎলক্লিবা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবশিংনা শেরান্নবা লম্বীদা চৎখিদনবগী অচৌবা পাম্বৈ অমা ওইগনি হায়বসিগী অচেৎপা থাজবসু থমজরি। হায়নবা লৈ, ঐখোয়না তম্বা হৌবসি মমাগী পুক্নুংদগী হৌই হায়না। অঙাং হায়বসিদি অপেৎপা লৈখোমগা পাঙ্খক্লি। শানিংবা অমদি শেম্লিংবা মওংদা শাবা/শেম্বা য়াবা মতমনি। অদুনা পীক্লিঙৈ থোপ্পা মহি লাংলিঙৈ অফবা লোনচৎ-শাজৎ অমসুং হৈনবী পূম্নমক তম্বীহৌগদবা মতমনি। অদুনা পীক্লিঙৈদগী লাইরিক্কা লোয়নদুনা পাবগী হৈনবী লৈহৌনবা স্কুলগী থাক্তা লাইব্রেরি হাংদোকপা য়াম্নমক তৌদ্রবা য়াদ্রবা তঙাইফদ্রবা থৌদাং অমনি। মায়কৈ অমরোমদসু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা কুমজা ১৯৮৬ তগী লাইব্রেরি অমসুং ইনফোর্মেসন সাইন্সকী দিপার্টমেন্ট হাংদোক্তুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা লাইব্রেরিয়ান ওইবদা মতিক চারবা মীওই কয়ামুকসু পুথোক্তুনা লাক্লি। পোষ্ট অহাংবসু পীক থন্না লৈরে। মতিক চারবা দিগ্রী হোলদরসু মরাং কায়না লৈরে। অমুনবা ফজরবা মহাও লৈরবা উহৈসু মরাং কায়না লৈরে। অথৌবা থাংসু লৈরে, লুরিবদি খায়বিনবা লৈতদুনা মহাও খঙদনা অদুমক লৈরে হায়বগা চপ মান্নরে।

মথক্তা পঞ্জরিবা ৱাফমশিং অসি কুপ্না নৈনবীরগা লৈঙাক্লা অহাংবা ফম হাপচিনবীনবা স্কুল থাক্তা লাইব্রেরি হাংবীনবা অমদি মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরি এক্ট ১৯৮৮ চৎনহনবীদুনা অৱাৎ-অপা লৈতবা লাইব্রেরি মরাং কায়না লৈহনবীনবা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## লাই হরাউবগী ৱারী-ৱাখোঙ

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**লাই** হরাউবগী য়েলহৌঙৈগী মমাঙদি উমংলাই হরাউবা হায়বনি। করিগী উমংলাই হায়রিবনো হায়রবদি অদুঙৈ ঙল্লিঙৈ মতমদা লমজিং লমতাকপীরম্বা ময়ামগী খুভমশিং উমং-ৱামং ওইদুনা লৈরে হায়বগী উমংলাই হায়বনি। য়াম্না শাংখ্রবা ৱারী-ৱাখোঙনি। লাই হরাউবা হৌদোকপা অসি পোইরৈতোন খুন্থোক্লবা মতুংদা চীংঙু থাঙজীং তম্পাক লমদা কুমথরক্তুনা য়েংশিনবগী মওংদা মোঙলরে। চীংঙুনা অহানবা মোঙলবা মফমবু মোঙ-লাঙ হায়রম্বদগী ‘মোইরাং’ হায়না কৌনখি। অদুদগী মথং মথং য়েংদুনা লাকখিবনা কংলা য়ূম্ফম ময়া য়ৌশিল্লকখ্রে। মফম অদুদা চীংঙুগী খুভম ওইখি। অদুগুম্বা মফম অদুবু মোঙবা হনবা খুভম হায়না খঙনখি। হৌজিক্তি মপানগী ইথিলনা মহাবলিকা হায়জিন্দুনা হনুমানগী খুভম মওংদা মীয়াম্না লাঙমাই চীংদগী য়োংয়াম কোইথৎ থৎতুনা য়োংলান লম্বীদা পুরক্তুনা থমখি।

উমংলাই হরাউবগী থৌরম অসি মমুৎ তানা খঙগে হায়রবদি পোইরৈতোন খুন্থোকপা অসি মমুৎ তানা খঙবা তাই। শম্না হায়রবদা খুন্থোক খুন্দারোলগী মতাংদা খোয়ুম কৌব্রুনা চীংঙু থাঙজীংনা নাপ চীক্লা ৱাতানরগা লৌউ-শিংউগী লমদা য়াম্না হৈশিংলবা থোঙারেনবু কৌরগা মতেং পাঙবীনবা হায়জখি - থোঙারেননা হরাউ হরাউ য়ারদুনা মনাওনুপা পোইরৈতোন অমদি তালোই লৈম লৈনাউ তাবীনা মখোয়গী খোঙলোই ময়ামগা লোয়ননা কংলৈপাক্তা খুন্থোক খুন্দারোল লমজিংনবা থারকখি। তৌগদবা থৌরমশিংদি খোয়ুম কৌব্রু অমদি চীংঙু থাঙজীংদা হংলগা পাঙথোকউ হায়না থারকখি। অসিগুম্বা পোইরৈতোন খুন্থোক অসিদি লাইরিক অমা ওইনা লৈবনিনা পাউচেদা লোয়না হাপ্পদি ওইথোক্তে অদুবু মচং ওইবা খরতংদি নৈনজরি- তম্পাক লমদা পোইরৈতোন খুন্থোকপদা মতৈমা লৈমা লৈনাউ তাবীদি য়াওখিদে। অদুবু চীংগী লমদা লৈনাউ তাবীনা খুন্থোলম্বরা হায়রবসু চীংগী খুন্থোকলোন্দা লৈনাউ তাবী কৌবা অমত্তা য়াওবা লৈতে। কুপথনা নৈনবদদি খোয়ুম কৌব্রুগী মচানুপী নামোইনুগা সম্থোঙ নিংথৌগী মচানুপা পোম্বী লুৱাউবগা পানদুনা চীংগী খুন্থোক খুন্দারোল শন্দোকপগী ৱারীদি থেংনৈ। কুপথনা নৈনবদা কৌব্রু-থাঙজীং অনীগী অরোনবা খুজিল থৌরাং ওইরম্বনা, নামোইনুগী থৱায় অসি লৈনাউ তাবীগী থৱায় ওইবা, লোয়ননা পোম্বী লুৱাউবগী থৱায় অসি পোইরৈতোনগী ময়াম্বা অমা হান্না পোইরৈতোন্দা চঙদুনা লৈবা অমা, চীংঙু থাঙজিংনা চিংথোকপনি হায়রি। অসুম্না চীংগী লমদমদা পোইরৈতোন খুন্থোক্তে হায়নরি অদুবু খুন্থোকলোনদি চীংগী লমদমদনা মমুৎ তানা শন্দোকপনা শঙলৈতোন পাখংবগী মতমদদি মহাক্না চীং-তম অনীমক্কী নিংথৌ ওইবনা পুমশং শংবা চীং লৈবাক্তগী হৈপাল-লৈপাল ময়াম শংলৈতোন পাখংবনা তম্পাক লমদা পুথদুনা ইকোক কোকপা তম্পাম লম অসি পুমশং শঙহনখিবনি হায়না ইরি। পোইরৈতোনদি লাইগী চাদা-নাউদা ওইবনা লোয়না খঙই অদুনা মহাক্না তম্পাক লমদা খুন্থোক খুন্দাবা লোইরবদা চীংদা কাদুনা মতৈমা লৈনাউ তাবীবু হলৱাইরসি হায়দুনা হৌবা লাকখি। মদুদা উরিবা শক্তম অদুদি নামোইনুনি লৈনাউ তাবীদি নৎতে-পোইরৈতোন্না ঙকচাননা য়েংলবদা - ৱাহং অমা লাকখি - খুন্থোক খুন্দারোল, চাদা-নাউদা শন্দোকফম অসিবু য়ূম পান্দ্রবদি য়াবরা? - পাউখুম পীবা ঙমদে- ঐ হান্না চৎচরম্লগে হায়রগা খোঙলৈ থুনা চৎখি- ময়াম্বদা পাউ তমদবদি য়াদবনা - নাকোইননা পাউ পীখি ।

থোঙারেননা মৈ হৌনা শাউখিবনা তীনমু-লাইমুগী মকোক সবী নোঙদাবু কৌদুনা খুদক্তা নামোইনুগী শক্তম লাঙলিবী লৈনাউতাবী অমদি পোম্বী লুৱাউবা অনীগী থৱায় থুনা লৌরগা পুরক্লবা য়াথং পীখি।

নুমিৎ অদু নামোইনুনা মপারী লুৱাউববু ওফম ওইনা খুন্দিনবীগী লম্পাক্তা ঙাইদুনা লৈ। শরোই-ঙারোই ময়াম খুদক্তা থুংলদুনা নামোইনুবু লাকথুরগা লুৱাউবা লাকপা ঙাইদুনা লৈরি। লুৱাউববু লাক্লে- শারোই-ঙারোই ময়াম থেংনদুনা লাক্লরে- লুৱাউবনা কনবা হেনবনা শারোই-ঙারোই ময়াম থিনা লাকথুরে- লুৱাউবনা অনাবা নামোইনুবু পোরগা য়ূম মাইকৈ পাঙলক্লে- মদুদা অমুক শারোই-ঙারোই ময়াম ফুজিল্লক্লে - নঙ্গন্দা অনাবা অমা পোরগা শারোই-ঙারোই থেঙনবা ওইবনা লুৱাউবা অদু ৱারে- থৌদোক অদু চীংঙু থাঙজিংনা উরদুনা খোরিফাববু কৌরগা নমোইনুপী থৱায় কন্ননবা থারকখি- খোরিফাবনা থুনা লাক্তুনা শারোই-ঙারোই ময়াম অদু কাঙজৈ কাঙহুন থা থাদুনা কোইতান তাল্লি অদুগা ময়ূম ফাউবা থিল্লকই- শারোই-ঙারোইশিংনা থুনা য়াঙনা চৈনখ্রগা থোঙারেন্দা পাউ পূম্নমক তম্লবদা থোঙারেননা লাইগী তেঙ্গোল পুদুনা থুনা য়াঙনা থুংলরবদা সোমদদি খোরিফাবা অমদি লুৱাউবা অনীখক্তা ঙাইরে। থোঙারেননা খোরিফাবদা মীচং খোমলুনবা হায়বদা খোরিফাবনা মীচং কনা লৈতে লাইয়ামলক্তগী অকনবা অমা থাদোকপীরো। মহাক্না লুৱাউবগা লম্বা তৌনহনসি অঙম্বনা ঙম্বা শক্লরসি হায়বদা থোঙারেনসু য়ারদুনা লাইগী সেনাপতি ‘লকাব’ চোঙথোক্লক্লে, লুৱাউবসু করিসু কিবা লৈতনা চোঙথোক্তুনা লম্বা তৌনরে। লকাবনা লুৱাউববু নমথুখরে। খোরিফাবনা ৱারদুনা চীংঙু থাঙজীং নীংশিংউ হায়বদা লুৱাউবনা খঙনিং নীংশিংলক্তুনা তন্না ওনখৎলগা খাঙমীঙনা পীবা উতং ময়ানা লকাববু চেৎনা পুল্লে। থোঙারেননা পেল্লদুনা নামোইনুদগী লৈনাউ তাবীগী থৱায় লৌথোক্লগা নামোইনুগী অনৌবা থৱায় অমা পীরম্লগা লাইগী তেঙ্গোল পুদুনা চৎখ্রে। থমজরিবা ৱাফমদি হরাউবগী কংলৈ থোকপদা খোরিফাবগী তালোই থিবা ওইনা তৌরিবসি চুমদে হায়জরি।

*অদোমগী - ডা. অকোইজাম্বা নারেন*
*নিঙোম্বম ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## শুংশোয় শোয়ররোই হায়না থাজহল্লগা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**লমদম** অসিদা মতমগী মতুং ইন্নগী ওইবনরা মীওইবনা মাগী মাগী থবকশিংদা মায় পাক্লনবা অমদি চাওখৎনবা নৎত্রগা হিংনবগী লম্বীগীদমক্তা থৱায় য়াওনা মথ্বায় খুবাক্তা হাপ্পদুনা চেন-চোংদুনা ৱাচৎ-ৱানোম অমদি হায়জ-নোঞ্জবা তৌনরবসু মশা-মশানা শুংশোয় শোয়ররোই হায়বগী থাজবা হায়বদুদি ৱাৎনরক্লে। হীরম খুদিংমক্তা অফবা অমদি ফত্তবগী নৎত্রগা ওইগদবা অমদি ওইরোইদৌবগী নুংনাংবা ৱাখলনা অয়াম্বা লমজিংনবনা থাজবা হায়বা মতৌদুদি ফনা ফজনা ৱাৎনরকপগী মতৌ ওইনরক্লি। খুদম ওইনা থবক অমা হাপ্পগী, ইন্টরভিয়ুগী পৈশা চানখিবা নৎত্রগা ওফিস অমদা মাগী মথৌ তাবা চে-চাং তান্নবদা নৎত্রগা লোন অমা লৌনবগী নৎত্রগা গভর্ণমেন্টকী মীওই কয়াদা খুদোংচাবা পীবগী হক ফংনবগী অমদি অৱা অনা, লায়র-অনংগী নৎত্রগা লৌউ-শিংউগী ওইরো নৎত্রগা হীরম অমগীবু ওইরো ফংনবা হোৎনরকপদা হাবী জাবীগী লাংদা চিংনবা অমদি থাজবা ইৱাৎ ৱাৎপগী মতৌ উনরক্লি। নমথাক্কী নৎত্রবসু শোয়দনা তৌবিরগনি, শোয়দ্রবনি হায়বা ফাওবদা শোয়বা কয়া য়াওরকপনা লৈঙাক্লা লৈত-লায়র অমদি থবক অমগী খঙদে অমগীনি খঙদে খুদোংচাবা পীবিগনি হায়বা স্কিম অশেংবা লৈজরবসু মদুগী তান্ন-খোৎনবদা চৎনরিবা ফীভম্না তন্নবা অমদি থাজদবনা ফংফম থোকপা খুদোংচাবদু লৌনবা হোৎননিংদ্রে।

অমরোমদা উনগদবা নৎত্রগা তৌবিগদবা নৎত্রগা পীবিগদবা অদুনা অকক্লবা তারিখ থারকপনা নৎত্রগা হায়রকপনা থাজরবসু হায়রিবা নুপা অদুনা নুমিৎ অদুদা দিল্লিদা নৎত্রগা গুৱাহাটিদা অচিনবা থবক অমগীনি হায়না চৎখ্রবদা হায়নখিবা থবক অদু শোয়বদগী নুপা অদুগী থম্মোয়দা পেন্দবদি অদুম লৈবা তাবনি। অমুকসু লম্বীদা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোক্লবা য়াওরকপদা নৎত্রগা অনা অয়েক খঙহৌদনা য়াওনরকপদগী নৎত্রগা খঙহৌদবা বন্দনচিংবা য়াওরকপদগী মীওই কয়াগী ৱাখলদা নীংবা কায়বা অমদি মেন্টেল হরাসমেন্ট শোয়দনা ফংহল্লি।

খন্দুনা য়েংসি, মীওই অমনা মহাক্কী মচা লুহোংবদা শীজিন্ননবা মশাগী জি পি এফ লৌথোক্লবা হোৎনবদা চহী অমা চঙবগী মওংদা লৈরে। মীওই অদুগীদি মচা লুহোংবগী মতমদু অকক্লবা ওইবনিনা মদু পূম্নমক নংনদ্রে। মেদিকেল এদভান্স নৎত্রগা মেদিকেল রিএম্বর্সমেন্ট নৎত্রগা মপান্দা লায়েংবা চৎলুবগী টি এ ফাওবা চহী অমগী ময়াদা চঙহন্দুনা য়াম্না ৱানা ফংনরি। অমুকসু ইন্দষ্ট্রিগী লোন ওইরো, লৌউ-শিংউবগী নৎত্রগা হোর্টিকলচরগী ঙা য়োকপগী, য়েন লোইবগী, খোই লোকপগী অসিনচিংবা কয়াগী শেনফম ফংনবা হোৎনবদা হাবী জাবী অমদি মতম য়াম্না চঙবনা অৱাবা ওইনরি।

অমরোমদা লৈঙাক্কী থবক অমা চঙনবা হোৎনবদা লৌ ইঙ্খোল ফাওবা য়োন্থোক্তুনা ৱানোম্নরকপদা মরায়বক থিরবা কয়াগীদি য়াম্না নীংবা কায়বা ওইনরি। হা মন্ত্রিগী মরী মতানি, মানা তৌবদা শোয়রোয় হায়না পীখিবা শেনফম কয়া হন্দোক হঞ্জিন তৌবদা মচিৎ-মচিৎ ওইনা পীরকপা অমদি শুংফং ফংদবসু য়াওদবা নত্তে। মসিনা মীওই অদুগী পুন্সি লৈখা তারক্লবগী মচাক অমসু ওইহল্লি। ওফিসকী ফাইল কয়া টেবল অমদগী অমদা চৎনবদা অরানবা অশোয়বা কয়া য়াওদুনা হন্নবনা কয়া অমা, ফাইল অদুবু লোইশিন্নবা হোৎনবদা হাবী-জাবি কয়াসু তৌনরি। ফীভম অসিদা তোল্ল-তারবা লায়রবা অমদি শোয়নায়রবা কয়া পৈশাদি লৈজদবা কয়া অমসু লৈঙাক্কী মতেং খরবু ফংলবদি হিংনবগী লম্বীদা আশা তৌজরুবা কয়া অরেম্বদা মতম মাঙদুনা তোক্লখিবা কয়াসু য়াওরি। অমরোমদা অমুকসু পোৎ চৈগী মমল ৱাংখৎলকপা অমদি য়ূমগী ভার পূম্নমকসি পুনবা চেন চোংবদা অৱাবগী মথক্তা অৱাবা ওইরবা মীওই কয়া তুংহন্দুনা চেনবা য়াওনরে। মসিদা সেন্সসকী রিপোর্টতা ইকোনোমিক্কী ষ্টেজদা ফাওবা য়াওরিবনি অদুনদি অসিগুম্বা শোখরবা কয়া অসি থিগৎতুনা মখোয়দা থিন থিন্দুনা নৎত্রগা শোয়হল্লোইদবা মওংদা য়াম্না চেন্নহন্দবা মওংদা লায়রবা অমদি খুদোংচাবা ফংবদা ৱারবা কয়াগী ইমপ্রুভমেন্ট খরদা ওইরবসু তৌনবা লৈঙাক্লা পোলিস কয়া পুথোকপীরবদি মখোয়সু নোর্মেল ওইনা হিংবদা অৱাবা খরমখৈদি কোক্লগনি। লৈঙাক্কী ওথোরিটিনা অমদি মরী লৈনবা কয়ানা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মীচম মীয়ামদা পীবা খুদোংচাবশিং অমদি লায়রববু হিংহন্নবা ইন্দিয়াগী পারকেপিটাসু হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা পুকচেল শেংনা থৌগাই পাঙহন্নীংই।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*